য়ু পিদা নুপীমচা অমা ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখ্রে

ফাটেপুর, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

উত্তর প্রদেশকী মনুং চনবা ফাটেপুরদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু মীওই খরনা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লস্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

সিটি পুলিস ষ্টেসনগী এস ঐচ ও সটেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। মশাগী চহী ১৮ রোম শুরবী নুপীমচা অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ময়ুম মনাক্তা লৈবা পুখ্রি অমদা ঈশিং শোকপা থোরকপদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা মীওই খরনা ফারগা মহাক্কী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখিবনি।

ভিক্টিম নুপীমচা অদু মেদিকেল এগজামিনেসনগীদমক হোস্পিটালদা থাখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং পুলিসনা থিবগী থবক চত্থরি। মখোয় হৌজিক্কী ওইনদি পুলিসনা ফাবা ঙমদ্রি হায়না সটেন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

রেপ কেসতা চেন্নবা মীওই ১ কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে

লক্ষ্ণৌ, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

উত্তর প্রদেশকী জোনপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোর্ট অমনা মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু রেপ তৌবগীদমক ঙসি শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না কোর্ট অসিগী সেনিয়র ওফিসরনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স (পোক্সো) গী অখন্নবা কোর্ট অমনা বালগোবিনবু শিবগী চৈরাক পীখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা এদিসেনল চীফ সেক্রেটরি (হোম) অৱানিস কুমারনা ফোঙদোকখিবদা গোবিননা মমাং চহীগী ওগষ্ট থাদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অদুবু নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্ন বা মাঙহনখিবনি।

মদিয়াহু এরিয়াদগী গোবিননা নুপীমচা অদুবু কিদনেপ তৌরবা মতুং রেপ তৌখিবনি। নুপীমচা অদুগী মপানা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরবা মতুং গোবিন পুলিসনা ফারগা জেলদা থল্লকখিবনি হায়রি।

ইনভাইরোনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স য়াওদ্রবদি বেদান্তা মাইনিং প্লান্ট মথৌ তৌবা য়ারোই: গ্রিন কোর্ট

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

গৱাগী ধরবান্দোরা এরিয়াদা ইনভাইরোনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স (ঈ সী) য়াওদনা বেদান্তা মাইনিং প্লান্ট মথৌ তৌবা য়ারোই হায়না নেস্নেল গ্রিন ত্রিব্যুনেল (এন জি টি) না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এন জি টিগী চ্যেরপার্সন জষ্টিস অর্দস কুমার গ্বেলনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখিবদা ইনভাইরোনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স য়াওরবা মতমদতা মাইনিংগী থবক চত্থবা য়াগনি। বেদান্তা মাইনিং প্লান্টগা ঈ সী পীবা ঙমদ্রি ফাওবা প্লান্ট অসিদা মাইনিংগী থবক তৌবদা অথিংবা থমখ্রে।

মাইনিং প্লান্ট অসিগী মথক্তা মায়কৈ কয়াদগী কমপ্লেনশিং লাক্লি। কমপ্লেন লাকপনা মরম ওইরগা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা বেদান্তা মাইনিং প্লান্টতা গ্রিন কোর্টনা ইনভাইরোনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স পিরক্নবা খঙহনখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা প্লান্ট অসিদগী পাউখুম অমত্তা পীদনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা মাইনিং প্লান্ট অসিদা অথিংবা থমজিনখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট গৱা ষ্টেট পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দনসুহীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা নেস্নেল গ্রিন ত্রিব্যুনেলগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা খঙহল্লক্লি।

লৈবাক অসিদা ঈ সী য়াওদনা মথৌ তৌরম্বা প্লান্ট কয়া থিংজিনবা হৌখ্রে। এন জি টিগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইরকপা মতমদা গ্রিন কোর্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। মখোয়গী মথক্তা চপ চানা এক্সন লৌখৎকনি।

গৱাদা বেজ তৌবা এন জি ও অমনা বেদান্তা প্লান্টকী মতাংদা কমপ্লেন তৌরক্লবা মতুং এন জি টিনা থিজিল্লুবদা বেদান্তা মাইনিং প্লান্ট ঈ সী য়াওদনা মথৌ তৌরমখিবনি। মাইনিং প্লান্ট অসিদগী পাইথোরকপা মৈখু অমদি উফুলশিংনা অকোয়বদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়না এন জি ও অসিনা গ্রিন ত্রিব্যুনেল অইবা চেরোল পীদুনা খঙহল্লকখিবনি।

গ্রিন ত্রিব্যুনেলনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা বেতান্তা মাইনিং প্লান্টতা ইনভাইরোনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স পীনবা মমাং চহীদা খঙহনখি। অদুবু এন জি টিগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইরকপদগী প্লান্ট অসি থিংজিনখিবনি হায়রি।

পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ১৫,৩৮৮ থেংনখি, ৭৭ শিখি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৫,৩৮৮ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৭৭ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিদগী থাদোরকপা দেটা অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা থেংনখিবা অনৌবা কেস ১৫,৩৮৮ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা ইনফেক্ট তৌহনখিবা মী মশীং ১,১২,৪৪,৭৮৬ শুখ্রে। হায়রিবা অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদগী ১,০৮,৯৯,৩৯৪ গী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ দা লায়না লায়চৎ অসিনা মীওই ৭৭ শিহনখিবা অদু থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা মশীং ১,৫৭,৯৩০ য়ৌখ্রে। হায়রিবা অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা ফংবা রেকোর্দনি।

নুমিৎ ৬ নি রোম কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা

লৈবাক অসিদা অপূনবা এক্টিভ কেস মশীং ১,৮৭,৪৬২ য়ৌখ্রে।

অমরোমদা রিকোভর তৌখিবা মীগী মশীং য়েংলুরগদি লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেট অসি চাদা ৯৬.৯৩ গী চাংদা লৈরি। পনবা য়াবদি মমাং চহীগী ওগষ্ট ৭ তা কোভিদ-১৯ গী কেস লাক্ষ ২০ হেন্না থেংনখি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ২৩ দা কোভিদকী কেস লাক্ষ ৩০ য়ৌখি। চহী অসিমক্কী সেপ্তেম্বর ৫ দা লাক্ষ ৪০, সেপ্তেম্বর ১৬ তা লাক্ষ ৫০ হেনখি। থা অসিমক্কী ২৮ দা লৈবাক অসিদা কোভিদকী কেস লাক্ষ ৬০ হেনখিবগা লোয়ননা ওক্তোবর ১১ দা লাক্ষ ৭০ য়ৌখি। থা অসিগী ২৯ দা লাক্ষ ৮০ য়ৌখি।

নবেম্বর ২০ দা কোভিদকী অপূনবা কেস মশীং লাক্ষ ৯০ য়ৌখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ১৯ দা লৈবাক অসিদা কোভিদ লায়না লয়চৎনা ইনফেক্ট তৌহনবা মী মশীং ক্রোর ১ হেনখিবনি। হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ না মীওই ৭৭ শিহনখিবা অদুগী মনুংদা ২২ দি মহারাষ্ট্রদগীনি অদুগা ১৪ না পঞ্জাবতগীনি।

অর্মী কেপ্টেন শাদুনা মীয়ামদগী অরানবা মওংদা পৈশা খোমগৎলম্বা মীওই ১ পুলিসনা ফারে

লক্ষ্ণৌ, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

মশানা মশাবু ইন্দিয়ন অর্মীগী কেপ্টেননি হায়না মশক তাকচদুনা মীয়ামদগী অরানবা মওংদা থবক হাপকনি হায়জিন্দুনা শেল খোমগৎলম্বা মীওই অমা উত্তর প্রদেশ পুলিসকী স্পিসল টাস্ক ফোর্স অমনা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদু অনন্দকুমার এলিয়জ রাজবির সিংহ রঘুবন্সি কৌবনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। রাজবির অর্মী য়ুনিফোর্মদা পুলিসনা ফাখিবনি। মহাক ফাবা মতমদা মহাক্তা মমিং মান্নবা মীওই অমা দিপ্যুটি এস পি ওইনা খনখিবগী পেপর কট অমসু য়াওরমখি।

কুমার বরানসি কানকি মফম অমদগী পুলিসনা ফাবা ঙমখিবনি। মীওই অসিনা মহাক মশা অর্মী কেপ্টেননি হায়না মীয়ামদা মশক তাকখিবগা লোয়ননা অর্মীদা থবক হাপকনি হায়না অরানবা ৱাহৈ কয়া হায়জিল্লবা মতুং পৈশা খোমগৎলমখিবনি।

ফারবা কুমার এল এল বি থার্দ এয়রদা তল্লিবা মহৈরোয় অমনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা মহাক মশা অর্মীদা য়াওনবা হোৎনখি। অদুবু মহাক অর্মীদা সেলেক্সন ফংবা ঙমদনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং মহাক মশানা মীয়ামদা অর্মী কেপ্টেননি হায়জিনবগা লোয়ননা চহী নৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিংদগী থবক হাপ্পিগনি হায়দুনা শেল কয়া লৌথোকপা হৌরকখিবনি হায়না টাস্ক ফোর্স অসিনা ফোঙদোরক্লি।

বরানসিগী মনুং চনবা বিথারি খুঙ্গংদগী মহাক্না মীওই ৭ তগী লুপা লাক্ষ ১৪ খোমগৎখ্রে। অমদি সুধাকর বর্মা, রাজনিজ অমসুং দিবিয়া কৌবা মীওই অহুমদগীসু লুপা লাক্ষ ১০ লৌখ্রে হায়রি।

কুমারনা লৌরিবা নুপী অসিসু মহাক্না নমথাক তৌদুনা লৌখিবনি। নুপী অসিগী মমা মপাদা মহাক মশা অর্মী কেপ্টেনি হায়না থাজহল্লবা মতুং নুপী অদুগা লুহোংখিবনি। তুংদা মহাক্কী অশেংবা মশক খঙলকপদগী মহাক্কী নুপীনা এফ আই আর লোজ তৌখ্রে হায়রি।

স্পিসিএল টাস্ক ফোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফারবা কুমার হৌজিক হৌজিক ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চত্থরি অমদি মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা থমনবগীদমক মরী লৈনবশিংগী মমাংদা পুথোক্লবা মতুং রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

অর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবদগী জে এন্দ কেদা টেরোরিষ্টকী এটেক হন্থখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ওগষ্ট থাদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুং লালহৌবশিংনা চত্থবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং হান্নদগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে হায়না সেন্তরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লবা মতুং মমাং চহীদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা লাউথোকখিবনি। কুমজা ২০২০ দা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা লালহৌবশিংনা চত্থখিবা থৌদোক মশীংগা কুমজা ২০১৯ দা লালহৌবশিংনা চত্থখিবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক মশীংগা য়াম্না খেন্নরে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেদ্দিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা লালহৌবা ৫৯৪ সেক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখি। অদুগা মমাং চহীদনা লালহৌবা ২২১ হাৎপা ঙমখি। মসিনা তাকপদি লালহৌবগী থবক থৌওংশিং চাং হন্থরে হায়রি।

চহী অসিগী ওইনসু ফেব্রুৱারী থা ফাওবদা টেরর ইন্সিদেন্স ১৫ য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা থোকখ্রে। থৌদোকশিং অসিদা লালহৌবা ৮ সেক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখি। য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা লালহৌবশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিংদা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ওইনা সেক্যুরিটি পর্সনেল ২৭ অমসুং মীচম ৫ শিখি। অদুগা মমাং চহীগী ওইনা সেক্যুরিটি পর্সনেল ৩৩ অমসুং মীচম ৬ শিখি।

সাইবর ক্রাইমগী থৌদোক লাক্ষ ৩.১৭ গী মথক্তা থোকখি: সেন্তর

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা থা ১৮ দা সাইবর ক্রাইমগী থৌদোক ৩,১৭,৪৩৯ থোকখি। অদুগা ওন লাইনগী খুত্থাংদা ৫,৭৭১ রেজিষ্টর তৌরকখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেদ্দিনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা সাইবর ক্রাইমগী ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি মরু ওইনা মহারাষ্ট্র অমসুং করনাটাকাদা থোকখিবনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা সাইবর ক্রাইমগী ওইবা ৱাথোকশিংনা নেস্নেল সেক্যুরিটিদা চাওনা শীংনরি।

সেন্তরনা ফংবা দেটা অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা থোকখিবা সাইবর ক্রাইমগী থৌদোকশিংগী মনুংদা করনাটাকাদা হৌখিবা থা ১৮ রোম অসিদা সাইভর ক্রাইমগী থৌদোক ২১,৫৬২ থোকখি। মদুগী মনুংদা ৮৭ তি এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখি। অদুগা মহারাষ্ট্রদনা হায়রিবা মতম অসিদা সাইবর ক্রাইমগী থৌদোক ৫০,৮০৬ থোকখিবগা লোয়ননা মদুগী মনুংদা ৫৩৪ দি এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা থোক্লিবা সাইবর ক্রাইমগী ৱাথোকশিং থিংনবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মরু ওইনা নুপী অমসুং অঙাংগী মতাংদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। অমদি অখন্নবা টিম শেমদুনা সাইবর ক্রাইমগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়রি।

ইন্দিপেন্দেন্ট এম পি মোহন দেলকর মীশি থিজিন্নবা স্পেসল টিম অমা শেমখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

মমাং থাদা মুম্বাইগী মেরিন দ্রাইভতা লৈবা হোটেল অমদা শিনা ফংখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম পি মোহন দেলকর মীশিগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেম্লে হায়না মহারাষ্ট্রগী হোম মিনিষ্টর অনিল দেসমুখনা এসেমব্লিদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মুম্বাই পুলিসকী টিম অমনা ফোঙদোকখিবদা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না দেলকর থৌরি য়ান্দুনা শিখিবনি অমদি মহাক্কী কাদা সুসাইদ নোট অমসু থেংনখি। চিংননিঙাই ওইবা মীশি অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক এস আই টি অমা শেমখিবনি।

মশাগী চহী ৫৮ লোম শুরবা দাদ্রা অমসুং নগর হবেলিদগী ৭ লক এম পি ওইনা কারকখিবা দেলকরগী মীশি চিংননিংঙাই ওই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা কোংগ্রেসতগী পোত্থারবা মতুং দেলকর ইন্দিপেন্দেট মিরেপ ওইনা থোরকখিবনি।

দেলকর লৈখিদবা অদুগী মতাংদা কোংগ্রেসনা সিব সেনানা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা মীশি অসিগী মতাংদা জুদিসিএল ইনক্বারি তৌনবা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্লি। কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় পৱন খেরানা ফোঙদোকখিবদা দেলকরনা শিদ্রিঙৈগী মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমদি অতোপ্পা লুচিংবা কয়াদা দাদ্রা অমসুং হাবেলিদা লৈরিবা এদমিনিষ্ট্রেটর প্রাফুলখোদা পটেল অমসুং অতোপ্পা ওফিসলশিংনা মঙোন দা চৈথেং কয়া পীবগী মতাংদা ইদুনা খঙহনখি।

মঙোন্দা ঙাইহাক লৈতনা অপনবা পীবা অদুগী মতাংদা সেন্তরদা খঙহনখ্রবসু মতমদুদা সেন্তরনা এক্সন লৌবগী মহুত্তা তুমিন্না লৈশিনখিবা অদুবুসু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না গান্ধী ফেমিলি অমসুং কোংগ্রেসতা চাওনা থাজবা থম্লি: অশোক গেহলোট

জয়পুর, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না গান্ধী ফেমিলি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিদা চাওনা থাজবা থম্লি হায়না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোটনা ঙসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা মীয়ামগী খনবা পার্টিদি কোংগ্রেস খক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন লিদরদা মশক থোক্না থবক তৌরিবা অসি রাহুল গান্ধী খক্তনি। নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা ঙম্বা ওপোজিসন লিদরসু গান্ধী ফেমিলি খক্তনি। সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীগী লিচিং মখাদা কোংগ্রেস পার্টিনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি।

গান্ধী ফেমিলিনা লৈবাক অসি নীং খা তম্বা ফংহনখিবনি। হৌজিকসু মীয়াম্না গান্ধী ফেমিলিদা চাওনা থাজবা থম্লি। কোংগ্রেস পার্টিনসু মীয়াম্না থম্লিবা থাজবা মাঙহন্দনবা মতম লৈবা পুন্নমক্তা হোৎনরি।

মীয়ামগীদমক য়েংলগা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা খোল্লাউ কয়া লাউরি। অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংনা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরি।

অমরোমদা য়ুথ কোংগ্রেসনা রাহুল গান্ধীবু কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অমুক হন্না ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি। য়ুথ কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা ফোঙদোরকখিবদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক হল্লক্লবদি পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎপা ঙল্লগনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ুথ কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা রাহুল গান্ধীগী লিচিং মখাদা থবক তৌবা পাম্লি অমদি নেস্নেল এগজিক্যুটিভ ওফ ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেসনা রাহুল গান্ধীবু ইন্দিয়ন নেস্নেল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইহনবদা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেসকী হান্না লৈরম্বা লুচিংবা কয়ানসু রাহুল গান্ধীবু পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ফম পায়নবা মতম কয়াগী মমাংদগী তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

নুপীমচাশিং আশ্রমদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরম্লে

জলন্ধর, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

জলন্ধরদা লৈবা আশ্রম অমদগী মশীং য়াম্লবা নুপীমচাশিং নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরম্লে হায়না পুলিস ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা আশ্রম অদুদা লৈরিবা নুপীমচাশিং অদুদা চানা থক্লবা চীঞ্জাক মতিক চানা পীদবদগী মখোয় আশ্রম থাদোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরম্বনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জলন্ধরগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস হরসিমরাথনা ফোঙদোকখিবদা নুপীমচাশিং অদু জলন্ধর দা লৈবা গান্ধী ভানিতা আশ্রমদা লৈবনি।

গভর্ণমেন্টনা চলাইবা অশ্রম অদুদা লৈরিবা নুপীমচাশিং অদুগী চানা থক্লবা পোৎলমশিং অমদি অতোপ্পা ফংফম থোকপা পোৎলম কয়া ফংহন্দবদগী মখোয় নাম্থোক্লবা হোৎনরমখিবনি। মখোয়গী অৱাৎপশিং মেনখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

জনটা করফ্যু লাউথোকখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ কা হেন্না শন্দোরক্লিবা অদুগী য়েংলগা থানেদা লোকদাউন থমখ্রবা মতুং মহারাষ্ট্রগী জলাগাউন দিষ্ট্রিক্টতা মার্চ ১২ দগী হৌরগা নুমিৎ ৩ গী ওইবা জনটা করফ্যু লাউথোকখ্রে।

জলাগাউন দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ইশ্যু তৌবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না জন্তা করফ্যু অসি মার্চ ১২ দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা চৎনগনি। ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না ইমর্জেন্সি সার্ভিস নত্তবা অতোপ্পা সার্ভিসশিংদি মথৌ তৌবা য়ারোই। দুকানশিং থোঙ লোনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা থানে সিভিক এদমিনিষ্ট্রেসন্না মার্চ ১৩ দগী হৌরগা মার্চ ৩১ ফাওবা লোকদাউন লাউথোকখ্রে। থানে ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার বিপিন শর্ম্মানা থোরকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না থানেগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী মতাংদা চেকশিনবা ৱাৎলকপনা মরম ওইরগা শন্দোকপগী চাং ৱাংখৎলকখিবনি।

অথিংবা অসি মখা তানা অনৌবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিফাওবা চৎনগনি। মীয়াম্নসু য়ুমদগী মপান থোরকপা মতমদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা স্পেসল ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্লা চৎনবা খঙহল্লক্লি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খুত্থাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-B/6802/21/2-22/3

ꯄꯥꯏꯂꯁ / PILES কী ওজা কবিরাজ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগচিরি

ঐগী হকচাংদা পাইলসনা মরম ওইদুনা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরকখি। খোঙ হাম্বা ঈ য়াওবা, চেখায়রগা থুপ্পা শাবা, চিকপা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থরকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, শৌজদা পোম্বা, হাক্কৎচবা, কক থিনবা, খ্বাং নাবা, চাবা তুমদবা, চানিংবা পোক্তবা অসিনচিংবশিংসি ঙসিদি ওজা Abdul Hak Contact No. : 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু খবরগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা পুন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা ফংহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি। পাইলসকী প্রোব্লেম লৈবশিং ঙসিমক ওজাগা তানবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **T. Brojen Meitei**
Khundrakpam

HL-P/9095/10

ꯅꯣꯡꯉꯤꯟ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯇꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯂꯁ

NIT **NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS**
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021

- * Only 30 students per batch.
- * Class test will be conducted.
- * Carrer Counselling for future study.
- * Study Material will be provided.
- * Self study hour under the guidance of expert daily.
- * Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2

ꯅꯨꯡꯁꯪ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6656/31/12-8/3

ꯄꯥꯏꯂꯁ / খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চনা মরুমুক চাউবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোংদা পোমথোক্লগা লৈবা অদু খুৎনা শোকপদা য়াম্না নাবা, অমাংথোংদা হম হম লাউনা চিক্লগা লৈবা, অমাংথোং মপালদা চেখায়বা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তাবা, অচম্বা চারিমখৈ ঈ তাবা খরা ফবা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচংগী হেমোগ্লোবিন ৱাশিল্লকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চনা মরুমুক চাউবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোংদা পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা খুৎনা থেংবদা নাবা, অমাংথোংদা হম হম লাউনা চিক্লগা লৈবা, চিকপা অদু ফনবা পেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক ফরম্লগা অমুক হৌরকপা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, অমাংবা তারকউ য়াদবা, অমাংথোং মপালদু চেখায়বা, চেখায়বা অদু খোঙ হাম্বা য়াম্না থুপ্পা, করিগুম্বদা খোঙ হাম্বসু য়ারক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক চপ তিংখৎপা, পুকচেপ নাবা, পুক মনুংদা শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, খ্বাং, ঙকশম মরি নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/10 *থাগৎচরিবা :* **Ch. Rekey,** Sagolband

ꯄꯥꯏꯂꯁ / অমাংথোং ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিল্লগা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পীক্লা তারকপা, মরক মরক্তা অমাংথোংদু চিক্লকপা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চেখায়বা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিল্লগা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পীক্লা তারকপা, মরক মরক্তা অমাংথোংদু চিক্লকপা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোক্লগা অমাংথোং মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা অদুগা খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, মরক মরক্তা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু হাক্কৎচরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা য়েৎকী ফৈগন অমদি মসলশিং চিকপা অমদি ইপংতা পংশিনবগুম তৌবা, ঈ তাদ্রগনা করিসু তৌদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা অমাংথোংদা নুংঙাইতবা অমসুং ঈ তাবা হেনবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগনা পুক চপ তিংখৎপা অমদি চাবা তুমদবা, হকচাং অসি পোত্থারগতা লৈনিংবা, ঙকশম মরি নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8995/10 *থাগৎচরিবা :* **K. Orbit Singh,** Moirang